**ৱারেং**

# মণিপুরদা কোভিদ–১৯ না তৌরকপা চাংয়েং–১

*– সি সি মঙানলৈমা, মোইরাং–*

**ইম্ফাল** ময়োলদা ফাওবা মতম অমদদি য়ূমথোঙ অমগী পুখ্রি অমা ইঙ্খোল মচেৎ অমা লৈনদুনা মদুদগী ফাবা ঙা অমদি মনা–মশিং ইঙ্খোলদুদগী হেক্তুনা ইমুং অমগী মতম খরদি লেনবা য়ানা লৈনরম্মী। ফৌগেসু অয়াম্বা য়ূমথোঙগী লৈনবা থাউ, থুম খরা লৈশিন্নরগা থোইদোকপা অৱাবা য়াওদনা হিংনরম্মী। ইঙ্খোলদা থাবা মনা–মশিং, হৌবা হৈ–রাশিং য়ূমথংনবশিংগা য়েন্নদুনা চামীন্নবা, কৈরোই লৈকাই লান্না অৱাৎ–অপা হংনদুনা অমনা অমগী অৱাৎপদা মতেং পাঙনবগী চৎনবিসু নীংথিজনা লৈরম্মী। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না গ্লোবেলাইজেসন লাকপদগীদি শেলনা পূন্নমক্কী অথোইবা মপু ওইরকখিদুনা মণিপুরদসু অহোংবা কয়া লাকখি অমসুং মদুগী অহোংবা অদুনা ইম্ফালদা লৈরম্বা য়ূমলৈ– কৈরৈদা চাউনা হোংহল্লক্তুনা শেল পায়বা মীওইশিংগী লৈনবা মফম ওইনা শেন্নরকখি। ইচিন–ইনাও, শাগৈ–নাতৈ য়ূম্লোন কৈরোন্নবগা নুংশিননা লৈমিন্নবগী মহুৎতা অচৌ–অশাং, শেঞ্জাও পায়বশিংগা তিন্নবনা হেন্না পুন্সিগী মহয় য়ানগনি খন্নরকপদগী ঐখোয় মশেল লাপথোক্করকপগী চাং হেনগৎলকখি। অসিগুম্বা মতম অসিদা কোভিদ–১৯ না ঐখোয় মশেলগী মরক্তা করম্বা চাংয়েংনো অমা তৌরক্লি অমসুং খুন্নাই অসিগী হোংলক্লিবা মশক অদু উখোরকহন্নবা মরৌ লৈনা লান্দারক্লি।

মমাঙঙৈদা মীওইবা খুন্নাইদা তৌরকখিবা চাংয়েংশিং অদুগা মান্নদবা মওংদা কোভিদ–১৯ না মালেম অসিদা হন্দক তৌরক্লিবা চাংয়েং অসিদি লায়রবা, ইনাক খুনবা, য়াইতোং–ফমদোংবশিং হায়বা থিদনা য়ান্না হৈ–শিংনা চঙশিল্লক্তুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈনগদবা ৱাখল্লোনগী মরী ফাওবদা চাংয়েংনবা চঙশিল্লক্লি। কোভিদ–১৯ অসিগী মচৎ অসিনা ঙসিদি মীওইবা অমনা অমদা থন্নগদবা থাজনবগী মরী অদু থুগায়নবা হোৎনরক্লি। চাকনি–ফিনিবা লৈতে হায়না চাউথোকচরম্বা মণিপুরগী খুন্নাই ঙসিদি মহিক অসিনা নাবদা ইকায়নদবা মীওই কাঙলূপ অমা ওইনা ওন্থোকহল্লকপা য়ারি। লৈঙাক্লা লেন্না পীরকপা চাকথুং খরা ফংনবা হোৎনবদা ঐখোয় কোক্কাই–লুকাই থোক্লকপা য়ারবগী ফীভম লাক্লি। পোলিটিক্স তৌবশিংনসু লৈঙাক্কী থৌশিলদা হুন্দুনা অরানবা ৱাফম কয়া ঙাং–শক্তুনা মীয়াম্বু ৱাখল চরাংনহনবদা মথৌ হাপ্লি। করিগুম্বদা লায়চৎ অসিনা মখা শাংথনা শমথরক্লবদি হুরান–চিন্থি, ফত্ত–লিচৎ কয়া চৎনরক্তুনা খুন্নাই অসি ওন্থোকপা ফীভম অমা লাকহল্লকপসু য়ারি। ফীভম অসিদা লায়চৎ অসি ঐখোয়না অচুম্বা মায়কৈদা থেংননবা অমতা ওইবা ৱাখল্লোনদা চৎমিন্নহৌদ্রবদি তুংগী খুন্নাইদা অকায়বা কয়া লাকহল্লক্তুনা হৌখিবা থৌদোকশিংদা নুংঙাইখিদবা, ৱারৌনখিবা কয়াগী তেচোক খুন্নাইনা ফংহৌবা য়ারি।

হৌজিক গভর্ণমেন্টনা লোকদাউন তৌরিবা অসি কোভিদ–১৯ শন্দোরক্তনবা তঙাইফদবা অমনি। মসি ঐখোয় ইশা ইশানা লৌজগদবা থৌদাংশিং অদু খরগা হেন্না চেৎশিন্না মীপূম খুদিংমক পূন্না লৌমিন্ননবগীদমক তৌরকপা থৌরাং অমনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙনরবনি। অদুবু মসিনা ওন্ন– তৈনবরোমদা ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন মাঙহল্লক্তুনা ঐ ঐ হিংহৌরগা লোইরে হায়বগী মওং অমা লৈনরকখিবা তারবদি মসিনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা লৈনগদবা মরীশিংদা শোকচিল্লকপা য়াই। অদুবু মীয়ান্না খঙগদবদি হন্দক্কী লায়চৎ অসিদি ইশা ঙাক্তা শোক্তনবা হোৎনবদা অতৈগীদি খঙদে হায়বদু য়ারোইদবনা ঐখোয় মশেল পূন্না মসিদগী কনমিন্ননবা হোৎনবা হায়বসি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা পান্থৈ লৈরোইদৌরি। মরম অদুনা খুন্নাই অসিবু লায়চৎ অসিদগী কলহৌনবগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্কী ৱাখল্লোন অমদি থৌদাং অদু য়ান্না ময়েক শেংনা থন্নদুনা মীওইবা খুন্নাইবু য়োকখৎনবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈহল্লক্লিবা অমনা অমবু চিংনবগী ৱাখল্লোন অসি পূন্না চেকশিনমিন্নদুনা হিংমিন্ননবা হোৎনবগী মায়কৈদা চঙশিনমিন্নবা তঙাইফদে।

ঐখোয়না কোভিদ–১৯ গী লায়চৎনা শোকহল্লিবা লৈবাকশিংদদি করি করি থোক্লিবগে হায়বদু তাশিন্দুনা ঐখোয়সু কান্নবশিং অদু লৌশিনবা ফঙগনি। ম্যান্মারগী তমুদা লুহোংলমদায়দা পার্টি তৌরুবা বর অমা লৈঙাক্লা থম্বা য়াথং থুগায়বগী কেস পান্দুনা ফাজিল্লি হায়বগী পাউ লৈ। য়াঙ্গুনদসু ক্বারেন্টিন তৌবা থুগায়বশিং জেলদা থা ৬ ফাদোক পীবগী ৱাফমসু লৈ। মদুদা ইন্দিয়াগুন্না ইরাং শাগৎপা পাউ লৈতে। সিঙ্গাপোরদসু সোসিয়েল দিষ্টেন্স থুগায়বশিং থা ৬ জেলদা থমগনি হায়বগী য়াথং লৈঙাক্কী লৈ। ইন্দিয়াদা ডোক্তর, নর্সশিং লৈকাইদা চঙহন্নীংদবদগী হেন্দোক্তুনা তাল্লক্লবা মতমসিদা ম্যান্মারগী টিদ্দিমদা য়ু এসকী গ্রীন কার্দ পায়বা নুপা অমা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইরকপদগী লায়েংনবা ডোক্তর ৫ ভোলুন্টরি ওইনা চৎখি হায়। মাঙজিন থানা থবক তৌরিবা হেল্থ কেয়র ৱার্করশিং থাগৎপগী খূবাক্তি খুরগা মরৈকাইদদি চঙহন্নীংদবগী মওং অদু ম্যান্মারদদি তৌবগী পাউ তাদে। লায়না অসিনা কা হেন্না শোকচিল্লবা ইতালিদা চাইনা অমদি ক্যুবাগী ডোক্তরশিং লায়েংবদা মতেং পাঙনবা চৎপা অদু ইন্দিয়াগী ডোক্তরশিংদদি ৱাখল লৈত্রিবা মাল্লি। মণিপুরদা ফাওবা ক্বারেন্টিন তৌবা য়াবা মফমশিং লৈঙাক্লা থিরকপদা য়ারোই হায়দুনা য়েৎনবা লাকই অদুবু ম্যান্মারদদি মুস্লিম কম্যুনিটিনা ফাওবা মখোয়গী লাইশঙশিং অমদি তোঙানবা মুস্লিমগী মহৈ তম্ফমশিং লৈঙাক্তা ক্বারেন্টিন সেন্টর ওইনা শীজিন্নবা শিন্নৈ অমদি ক্বারেন্টিন তৌরিবা মীওইশিংবু তোখায়বা মীৎয়েং থম্বগী মহুত্তা হেল্থ কেয়র ৱার্কর অমদি ভোলুন্টিয়রশিংনা ক্বারেন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংবু ঈশৈ– নোংমাইশিং শক্তুনা তাহন্দুনা পূক্নীং থৌগৎনবা অমসুং ৱাখল নুংঙাইহন্নবা হোৎনৈ।

অমরোমদা, ঙসি লৈঙাক্লা শেম্বা ক্বারেন্টিন সেন্টরশিংদা অৱাৎপা কয়া লৈবগী ৱাফম কয়া ঐখোয়না তারি অমসুং লৈঙাক্কী থৌশিলদা মরান কয়া শীবা থেংনরি। অদুবু ক্বারেন্টিনদা লৈরিবা মীওইশিং অদু অয়াম্বনা মপান লমদা লৈরুবা ইমুং মনুং কয়া য়াইফবা মীওইশিংনি। য়ান্না লৈত–লায়রবা ইমুংগী মীওইশিং ওইরম্লোই হায়না খল্লি। অদু ওইরবদি মখোয়না মখোয়গী শীজিন্নবা টোইলেট্রি অমদি মশাগী হাইজিনগী পোৎলমশিং, ফমুং ফানুংগী ফি– রোল অমদি অতৈ চান–থক্লবা পোৎলমশিং খরমখৈদি ময়ূমদগী পুরকপদা মখোয়গী ইমুংশিংদুদা য়ান্না অৱাবা পোৎলুম ওইহৌগদরা। মোৎলি হায়রিবা মাথরুম, টোসলেটশিং অহানবগী ওইনা ময়াম পূন্না নীংথিনা শেংদোকমিন্নরবা মতুংদা লুনা–নান্না লৈনবা মশা–মশানা হোৎনজবদা করি কায়বা লৈগদগে। লৈঙাক্তা ঙাক্তা লোইনা তৌহন্নীংবগী ৱাখল্লোন অদু ঐখোয়না মতাংসিদদি চুম্মী হায়না লৌবা ঙম্লোই। অতোপ্পা মফমদদি লৈঙাক্লা মশাগী য়ূমদা ক্বারেন্টিন তৌ হায়না হায়রকপদগী লৈকাইদা হৌবা উগী মথক্তা য়ূম মচা শারগা ইমুংগী মীনা চানবা চিঞ্জাকশিং পুরকহল্লগা য়েনবগী পাউসু লৈরিবনি। মণিপুরদদি ফীভম খুদিংমক্তা লৈঙাক্তা থংজিনবা অমসুং ফংদ্রগা লৈঙাক্তা মরান কয়া থংজিন্দুনা মশানা তৌজবা য়াবশিং অদু লৈথোকপগী চৎনবী য়ান্না চাউনা লৈ। ইপোমদা বাবুনা এম এল এ চাউবদা লৈকাইদা ভূট থোকপগী ৱাকৎপা লৈখিবা অদু মণিপুরদা হৌজিক থাঙ্গৎনরিবা ৱাকৎশিং অসি য়েংলুরগা নৌহৌননা নীংশিংলকই। মচানুপী এক্সিদেন্টদা ময়া তেকপগী পাউহোম্বা অদুগুম্বশিং তোক্লবনা চুমগনি।

## তাবুনুংদগী

*লাই হরাওবগী থৌরমদসু নৎত্রগা থৌরম অমা লোয়শিল্লকপদা পেনা শকপনা খূঞ্জাও লৈচাউনবা, অৱা–অনা য়াওদ্রবা, লৈকাই অদুগী অফবা পুরক্লবা মিকোন থাগোন ঈশৈ অসি শোয়দনা শক্লৈ। ঈশৈ অসি য়াম্না শাংই। লৈকাই লৈকাই লম লমগী খেন্নবসু লৈ। লাই হরাওবা লোয়শিল্লকপদা লাইগী থৌরম লোয়রগা লাইমাঙদা ময়াম পুন্না লেঙদনা লৈরগা শকপা মিকোন থাগোনগী শৈশক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

“হে থৱায়
মিগা থানা তরুকমক,
মোংবা য়ুমজংঙসে,
লাইনিংথৌগী মাঙ্গোল খেনজোংলাংদা
থোঙজিন ময়াদা কোল্লগে,
থোংঙারেলগী খুফমনে,
ৱায় ঐনা লৈঙমদে...।
... খৌরি চাকয়োৎফমদা কোনগে,
থবাক্তা কোনগে,
হানফমদা কোনগে,
থজিন লকা কোনগে,
খোইদৌ মখা খুদোল অহুম
চথবদা কোল্লগে,
লুপাগী ক্বাগোক লৈবনে,
সনাগী ক্বাগোক লৈবনে,
লুপাগী ক্বাগোক মনুংদা
ইবুথৌগী থৱায় মঙামক,
মিগা থানা তরুকমক কোল্লন্নগে।
লুপা ৱাইখু লোল্লন্নগে।
সনাগী ৱাইখু লোল্লন্নগে।
হৈ হে হয়া হয়ুম,
হয়ুম হয়ুম।
নদাইরেম খূঙ্গং অসিগী
নহানমখৈ চীংঙু নথৌ খল্লিবা
খোইয়ুম লাল্লুপ কারিবা
মদাইরেম তাইবঙ ওইবশিং
থৱায় হামচৎনবদা,
মিরেল হামপোইনবদা,
পলেম–পন্থেং পূম্নমক্কী
থৱায় কোল্লন্নগে।”

## মণিপুরী পাঙ্থে–পাউরৌ, পাউত্তাক

* **খূনু মচু চুমদবা মরীল অদুম মৱাৎলে।।**
– মচু মমেল শেংদ্রবদি মথৌনা মরিংজেল ৱাৎকল্লি।
* **খুদৈ শেৎলগা ঙাওবদি হঞ্জিনফম খঙদবনি।**
–চথোক্ত্রবনিনা মরা তাবা।
* **খূৎ তুংবুন্নবা লৈবা।**
– থবক শুনিংদবদগী মতম লেন্দুনা লৈথোকপা।
* **খূৎ লেক্তুনা তোকপা।**
– করিগুম্বা অমা ফঙহৌদবদগী নীংঙমদবা পোকপা।
* **খূনিং নেৎকে খুমাঙ নেৎকে**
– খরা থুনা য়ৌনবা কন্না চৎনবা থৌজিনবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

– লৈগী মনমদি লৈবাক্লা চুপশিল্লি অদুবু লৈবাক্কী মনমদি লৈনা লৌদে, মতৌ অদুগুম্না ফত্তবা মীনা সাধু সঙ্গ তৌবদগী সাধু ওইখিবা য়াই অদুগা সাধুনা ফত্তবশিংগা তিন্নরবসু ফত্তবা খক ওইদে।
– সাধু উজবদি য়াইফবনি মরমদি সাধু মশামক তীর্থশিংনা তিল্লবনি। তীর্থনা পীবা মহৈদি অকক্লবা পূংফমদনি অদুগা সাধুনা পীবা মহৈদি খুদক্তনি।
– ‘হে ব্রাহ্মণ, সহরসিদা কনানা চাউবনো?’ ‘উপাননা মচাউরে’। ‘কনানা দান তৌবনো?’ ‘ ধোবিনা তৌই, অয়ুক্তা লৌখি, নুমিদাংৱাইদা হন্দুনা পীরৈ।’ ‘কনানা হৈ–শিংবনো?’ ‘অতোপ্পগী নুপীগা মরনগা লোন্না লৌবদি মীপূম খুদিংমক হৈ–শিংই।’ ‘সহরসিদা অদোমদি কমদৌনা লৈরিবা?’ ‘হে মরুপ, হুদা পোক্লবা তীন অমনা অমোৎপা মফমদা লৈবগুম্না লৈজরি।’
– ব্রাহ্মণগী মখোঙ চামথোক্ত্রবা, বেদ–শাস্ত্র থীবগী মখোল তাদ্রবা, স্বাহা অমদি স্বাধা হায়বা ৱাহৈশিংসি তাদ্রবা য়ূম অদুদি মোঙফমগা মান্নরবনি।
– অচুম্বনা ইমানি, লৌশিংনা ইপানি, ধর্মনা ইয়াম্বনি, থৌজালনা মরুপনি, শান্তিনা ঐগী নুপীনি অদুগা ঙাকপী হৈবনা ইচানি– তরুক অসিনা ঐগী মরী–মতানি।
– হকচাংদি মাঙনাইবনি, লন–থুম্না মফম অমদা তুংদুনা লৈতে। অশিবনা ইনাক্তা ঙাইরি, ধর্মগী থবক তৌরো।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

৪০। উচেক শঙ্গু অনী উপাল অমমমদা তোংই। শঙ্গু অমনা হায়, “নখোয়রোমদগী ঐখোয়রোমদা অমা পাইরকউ, নখোয়গী মশীংগা ঐখোয়গী মশীংগা মান্নহনগে।” শঙ্গু অমদুনা হায়, “নখোয়রোমদগী ঐখোয়রোমদা অমা পাইরক্লবদি নখোয়গী মশীংদগী শরুক অমা হেলহনগে।” মশীং কয়া কয়ানো?
৪১। উরুংবসু লাকসনু, ৱারুংবসু লাকসনু, লমজাও তোংবা লাক্ত্রিমখৈ ৱারোইদবা করিনো?
৪২। উপু মশীং নাইদবগী মনুংদা খুদৈ ফিশাং অমা তাবা করিনো?
৪৩। উচুক অঙৌবনা পনথিংবা, লাইরেন অঙাংবনা লৈওনবা করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (২৯–০৩–২০২০) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***
৩৪) হাও (মমাংঙৈগী অহল লমনশিংনা শীজিন্নরম্বা লোন্দা, ৩৫)তিঙ্খং য়ুবা ৩৬) খৈরোই। ৩৭) উমাইবী, ৩৮) প্লাষ্টিক্কী লৈ। ৩৯) তরেং)

## চয়োলসিগী ফাগী

**খুদম চাংদম !!**
য়ু লৈবা –ইতৈমা, পোৎ (য়ু) লৈরিব্রা খরা লৌখিগে?
য়ুয়োনবী–অঃ লৈ কয়াম পুদোইনো?
য়ু লৈবা– খঙদেনে! ময়াকপু কমদৌগে, খরা কল্লগদি অমত্তংনা য়ানি, খরা চন্নগদি অনী (লিক্লি) পীয়ু।
য়ুয়োনবী–অস! ময়াক্কী ৱাদি হায় কান্নদে, ঙসাই মমাঙ লৈকাইগী মপা মচা থাংনা য়ান্নৈ হায়দো, ঐগীসিদগী গ্লাস অনীখক্লা য়ান্নখ্রিবনি।

**য়ু ঙাওগন্দবা !!**
মশানা য়ু শুকঙাও ঙাওবিদে খঞ্জবা য়ুথকপা নুপা অমা কৈশামথোং কবুই খুলদগী তপ তাই থক্লগা হাইদোক্লক্তুনা ময়ুম মায়কৈ তম্না, ময়াই লম্বীদা মখা পাংনা হাইরং তুরং সাইকল থৌরকই। মরক্তুদা খঙহৌদনা অঙাং নুপামচা অমা শরক ময়াইদা তাবা বল খুন্নবা চেন্থোরকই। অঙাংদু সাইকলনা তক্কদবা খজিক্তা ঙাইবনি, অদুবু নুপাদুনা খুদক্তা লৈমথোকহৌদুনা তকহৌদ্রে। তৌবদবু শেন্নজহৌবা ঙমদনা নম্বুল তুরেল মখা তম্না পাইথখি। মদু উহৌবা নহারোল খরনা মহাকপু লৌখৎপিনবা চেনশিন্নরকই। মদুদা য়ু ঙাওবদুনা (য়ু ঙাওবগী ফুবিরদৌবোই নিংদুনা)–
“ইনাওশা সাইদ ফাওবদি ইয়াম্বনা চুম্বনিকো!”

**কনমিন্নবা !!**
নহারোল খরনা বুব বুব নোই পেল্লবা হুইজাও অমখক মঙক্তা থৌরী থাংলগা চিংদুনা পুবা উবদা, গৌরিয়া চৎচবা অহল অমনা খরা ঙাংলুই। অদুবু থৌশাবিরম্বদি লায়রদনা ব্যভহার কায়না হঙ্গৎনদুম চৈশিনবীরম্বদগী শাওনিংমনখ্রদুনা মথন্তা মুরুম মুরুম শোন্দুনা লৈহৌই। মতাংদুদা তুংলোমদগী নহা পাখঙমচা ২ / ৩ সু লাকই।
পাখঙ ১–কৈদৌরে খুরা, লম্বী ময়াইদবু অঙাওবদৌনা নথন্তা চোইরোল লোন্দুনা চৎলিদে!
অহল– কৈশু তৌদেদা ইবুংঙো, আ মাঙদা চিংদুনা পুখ্রিবা হুই অসে হাৎলুগদৌরিনি, মসিদংদি খরা কঞ্জনবা হায়জরুববু, মখোয়নদুম শাওজিনবিরম্মীবা!
পাখঙ ২ –হেরা খুরা অদুগী ওইরে, লেম্না কনগে হায়বসু নত্তবা, পৈশা পীদৌরিবু, পিশক পিকপসু নত্তে আ য়াম্না থোক্কনি, লাও খুরা ঐখোয়গা চৎমিন্নসি, ঐখোয় কনবিগে, ঐখোয়সু কে জি ৫ দি কনগদৌরিবনি।

## শৈরেং

### প্রলয়গী শক্তমলা কোরোনাভাইরস–১৯

*– ডা. সৌবাম সোফিয়ারানী*

কুপ্না তিঞ্জংবা,
অচৌ পীশক লায়র ইনাকখুনবা,
নুপী নুপা অঙাং অহল,
খেন্নবা খাক্তনা পূম্নমক্কী
চাইনগী হুবৈ প্রোভিন্সতগী
ৱুহানগী মালংদা,
হৌরকখিবা মরুমশিং
কোক্লরে পৃথিবী শীন–থুংনা
তপ্না তপ্না প্রলয়গুম,
মীৎনদি উদ–,
ফাবসু ঙমদ হাৎপসু ঙমদ,
পৃথিবীদা চাউখৎলবা
চাইনা, অমেরিকা, ইটালি, স্পেন
ৱানা থোক্লি,
লাক্লা ফানবদা মহিক্লুপ নঙবু,
হাৎলগে খন লাম্থেংনৈ
থাঙ পায়দুনা হয়িং হাৎপগুম্লে,
কেকু লোৎখিবদা ফোংঙমদে,
মমি ফোংলক্লগনা
মীচং খোন্ন হেক্তা লান্দরক,
লুম্ফু লুম্ফু লুম্ফু
করম্না মায়থিহল্লন্নিবা থোঙঙাকপা
ইন্দ্রি কয়াৎ কয়াগী চক্রবিয়ুদা
হুরানবগী লিচৎতা
মশক মওং হোং হোংদুনা
উৎলুরে ঙসিদি কোরোভাইরস ওইনা,
লম কোয়বগুম পৃথি শীন–থুংনা,
শন্দোরক্লে কোভিদ –১৯ হায়না
য়ৌশিল্লক্লে কংলৈপাক্তসু,
মরাল লৈজদ্রবা কয়াবু
মনপ মতিন তাহন কংখু খূহন,
নুংশা শ্বর থদৎকে খল্লি নঙনা,
উবা ফঙদ্রবসু ঐগী ইমিৎসিনা
মকোক চুংশিন্নখ্রে,
হকশেলগী অথৌবা কয়াদি
ৱার্ল্ড হেলঠ ওর্গনাইজেসন
লাউখ্রে মালেম পুম্বদা ইমরজেন্সি,
লৌখৎহনখ্রে চেকশিন থৌরাং,
দিসেম্বর ২০১৯ দগী হৌরকখিবা নঙগী লান,
খন্নরি থদৎলগে নঙগী লম্বী
লাম্থেংননি লেপ্পরে চারা হেল্লসু,
লাউথোক্লরে পৃথিবীগী মীয়ামদা ‘লোকদাউন’
লাপ্না লাপ্না মখোয় মরিনা খূৎশম্নদুনা
ইশা ইশাগী দাইত্বনি খন্ন য়ারে শরুক,
হোৎনরে য়ৌহল্লরোই চমজরবা পূন্সি কয়াদা
থৌনা ফরবা ফরবী ডাক্তর নর্সনা
মথৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা,
লাম্থেংনরি অকিবা লৈতনা,
পূমনমক্লা লাম্থেংমিন্নগনি শৌগত্তুনা,
মুখৎলগনি নঙগী সংসার,
ঙসিদি থাল্লনি য়ূমথোঙ খূদিং
অমত্তনি ঐখোয় লাম্থেংনরিবসে
উৎলনি ঐখোয়গী অমত্তা ওইবগী লীপুন
ঙাল্লনি মোম্বর্তিগী মৈরিনা
চাকথেকহল্লনি কোভিদ –১৯ নঙবু।

### লিন্দাওবী কোবিদ–১৯

*–জয়কুমার তখেল্লম্বম*

শক হেনলি, ফজৈ
লিন্দাওবীগী শরি ৱাশক।
কিবনা পৃথিবী পূম্বা
হা হা কাম্নরে।
লায়র –ইনাক খুনবা
জাতি, ধর্ম্ম খায়দে।
রাজনীটিগী ৱাফম লৈতে।
ঐচ আই ভি, কেন্সর
নশুং নমান্নবী ওইরগনি।
নখোয়দি শকউদবা মহিকনি
সাইন্টিষ্টকী মতেং নত্তনা।
কোভিদ –১৯ নঙদি
লাম্থেংখংনরি মীওইবগা।
নঙগীসু তেনজৈ থিরি
কাপ্নবা অরোইবা য়াহিপকী।
লেপ্পা লৈতনা
ঐখোয়গী কমান্দরদি।
লৈবাক্কী মকোক্লি
মীয়াম্না লান্মী ওই।
হিংমিন্নবা য়াথং ঙাকসি
চৎন কাঙলোন।
য়ূমদগী মপান থোকপিগনু।
নুমিৎ খরনিতমক
ইমুং মনুংদগী হৌরগা
মীওইবা কন্নবনি গ্রহসিদা
মীয়াম্না ঙাক্লি
লান্মী ওইনা।

### নাপ্পগী লৈরাং নাচোম

*– সোবিতা সৌবাম*

নীংশিংবগী মমিলক্তা
কাউঙমদ্রবা থৌদোকশিংলক্তা
নঙনা থেৎপিখিবা ঐগী নাপ্পদা,
লৈরাং নাচোম লৈখলশিংসে,
খুইথদ্রি ঙসিসু কংদ্রি মখোয়সু
থম্মোয়না খিক্লি শিদয়াই নুংতিগী,
তগৎ তগৎ তেক্তুনতা লৈরবা
নুংশি নাচোম্নি নখূৎমক্লা থেৎপিরম্বা,
ঐঙোন্দা নোকশিল্লক্তুনা
ফুগায়না শাৎচবী গুলাপসু,
কৌরকপগুম তৌবি খূলাম তোয়না,
থেৎহনবিয়ু ঐবুসু নঙগী নাপ্পদা,
নুংশিবা মাগী মখূৎতুমক্লা
চাইজাইননা লৈমায়লক্তা লেন্দ্রিঙৈ
ওইবিয়ু নঙগী নাচোমগী লৈতেং,
পূন্সি ঈরৈ লম্ফাংলকসিদা,
থিংবা ঙমহৌদ ঈথৈখিবা তোর্ব্বান,
উফমদুদগী ৱাংমা ৱাংমা ওইনখ্রবসু
ঈচেল কল্ল ঈরৈদুনা য়েশিল্লম্বা তোর্ব্বান্দুদি
হাংদোক্লুবা খূদিং পূন্সিগী লমায়,
হক্তুনা তাহৌরি দাকফম কোন্ননা,
নুংশিবগী মগুলনা হেনমনখিবনা
খুইথবা নাইদনা লৈরিবনি
নাপ্পগী লৈরাং নাচোমসে।

### মৈগী, ঈশিংগী

*–রনবীর শারুংবম*

ইচম চম্না মীচম ওইরুবনা
অঙম্বা কয়ানা চত্থরিবা
অরোন অথুপকী মতৌদি
উশিল্লুবা ঙমজদে ইমিৎসিনা।
ইখঙ খঙনবা, ইহো হোনা
ময়াম পূম্বনা ইউ উনরবা কয়াসিগীনি
ঐগী ৱাখলদা তত্তনা খল্লিবসি।
ঈশিং, নুংশিৎ, মৈ, অতিয়া, লৈবাক
মফম অমদগী হেক্তা উরবা পোৎশিং
কনানসু খঙদবা অমত্তা লৈত্রবা
কয়াসিগীনি ঐনা হৌজিক ৱারিবসি
থৱায় য়োকপগা
থৱায় থাকপগা
অহিংবগী মিংচৎকা
হিংননবা হোৎনবগা
করম্বনা ময়াই প্লবগে?
ইখঙ খঙনরবা কায়সিদা
খঙবা ঙম্লক্তরে ঐহাক ঙসি।

### লুকমায়দা য়োনবা থৱায়

*– ওইনাম কুবের*

হে অরাম– খৌরাং মৈচাক
ওন্থোক্লসু কল্লিদা নহাক্কী চৈনা
মমাগী মথানুংদগী মচা শত্তুনা
লম্লানবদা শিন্নবা ঙমই নহাক্লা।

নহাক্কী ঈখৌ ইৱায়রক্লবদা
থম্মোয়নুংগী নুংশিবা মাঙখিদো
‘নুংশিবা’ গী মমল লৈহন্দে
মমা–মচা মরী লৈনহন্দে।

পীরাংতনা চোৎলবা মোল্লাংদা য়াতারদুনা
হীক্লা কপ্লি অনাবা অমা,
খোল্লেন মঙলানচা অমদা
অমম্বা সংসার অমদা।

চাক চয়োম পায়দুনা মমানা
চেল্লকখি, ‘ইমা লাক্লে’ হায়দুনা
মমা–মচা চেজেৎ কোনশিনমিন্নখি
মপোকসিমগী থাদোক্লগদবা মান্দে।

চাক চদুম চদুম চামিন্নখি
পীরাং চদুম চদুম শিন্থমিন্নখি
কাউরুরবা মীনোক মীওইপোক্কী
চিনবান কাঙনা নোকমিন্নখি।

“ঐবু য়োন্থোকপীগনুকো ইমা।
নতুং ইন্দুনা লাক্লগে
চাগেসু হায়ররোই
শেৎকেসু হায়ররোই।”

পল্লেবা থৱায়না মচাগী
মতুং ইন্নখিব মমাগী
হকচাং পোলাং থনম্লগা
অয়োনবা থৱায়গী মমল হন্দুনা।

ইনুং শোরা তৈবদা
ৱা–গী কাংথক মথক্তা
তারি হকচাং পোলাং
মপুগী চৈফু খঙবীদনা।